HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



অদুঙৈ কুমজা ১৯৭৮গী নবেম্বর ১২দা কমেংগী লৈমরোকতা লৈবা প্রিপাককী ত্রাঞ্জিৎ কেম্পতা কম্বাইন্দ ফোর্সকা খুৎ থোক্লবদা লৈখিদ্রবশিংগী নীংশিং খুভমদা মৈরা অমসুং লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

থম্মোয় পাউদম : মতম চাবা/চাদবা, মতম মাঙবা/মাঙদবা... লামায় ২
লামায় ৪ গ্লোবল ৱার্মিং হন্থহন্নবগীমক নুংশিত্তগী...
"মণিপুরসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা নত্তবরা" লামায় ৫
লামায় ৬ হোম মিনিষ্টর, পি এম শা নত্তে মীনি, লুচিংবা ওইরগা ...
ঙসি ঝরখন্দগী অহানবা ফেজদা ভোট থাদনরগনি লামায় ৮
লামায় ১০ মাইবম শাওলিননা অহানবা মিষ্টর কৌব্রু চীংশাং...

নবেম্বর ২৭, ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা কে এস এগী ১৯লক শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী মাঙওইননা 'খুন্নাইদা কখোক্লবা ঈ' হায়বগী পান্দমদা রিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা লেম্না ঈ পীখিবা




Vol. 48, Issue No. 220 | য়ুমশকৈশা হিয়াঙ্গৈ ১২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, November 13, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# জিরিবাম : কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাখিবা পীক্লিবা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩গী লাইবক তম্বা ঙমদ্রি

## লূপ ১৩না ঙরাং নুমিদাংৱাইরমদগী হৌরক্তুনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা টোটেল শটডাউনগী খোঙজং চঙশিল্লক্লি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৯গী অয়ূক্তা কুম্বী এ সীগী মনুং চনবা ৱাথলম্বেলগী মিঞ্জাংদা লৈবা লৌফমদা লৌ শূরিঙৈদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী পান্দুনা লৈখিদ্রবী সাপম ওংবী সোফিয়াগী মীশি অমসুং ঙরাং জিরিবামগী জকুরাধোরগী লম্লোং অহুম ফাংবা অমসুং হরিনগরদা কুকি টেররিষ্টশিংনা চথুরকখিবা এটেকতা ভিক্তিম ওইখিবা মীওই ১০গী মতাংদা লৈঙাক্লা চপ চাবা রিপোর্ট অমা পুং ২৪গী মনুংদা খঙহন্দ্রবদি মখা তানা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌরগনি হায়না তোঙান তোঙানবা লূপ ১৩গী ৱাঙাঙলোই ওইখিবা নহাকপম শান্তনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**
ঙরাং নুংথিল অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা পায়বা মশীং য়াম্লবা কুকি টেররিষ্টশিংনা জিরিবামগী বোরোবেক্রা সব-দিভিজন অমসুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা জকুরাধোরগী লম্লোং অহুম ফাংবা কৈথেল অমদি হরিনগরনচিংবা মফমশিং য়াওনা লমতাই খুনৌদসু মীচম অমদি সিক্যুরিটি ফোর্স হায়বা খাক্তনা অকনবা লান চথুরকখিবগী মনুং চন্না জকুরাধোর কারোংদা লৈবা কৈথেলদা ফম্বা মীতৈশিংগী দুকান অমদি য়ুমশিং মৈ থাদোকপা খক্তা নত্তনা নোংমৈনা নমদুনা পুখিবা পীক্লিবা অঙাং ৩ অমসুং নুপী অহুম পূন্না মীওই ৬কী লংলা-লংজিন ঙসি নুমিদাং পুং ১১ তারকপা ফাওবদা খঙবা ঙমখিদ্রি।

অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক অসি কুকি টেররিষ্টশিংনা য়ুম অমদি দুকানশিং মৈ থাবা হৌগৎলকপদা নোংমৈ চিন্দোলদা কিহল্লগা নমদুনা পুখিবনি হায়রি। মখোয়না মপান্দা লাউ খোংদুনা দুকান অমদি য়ুমশিং মৈ থারক্লবসু থৱায় হিংনবা চেন্থোরকপা ঙমহৌদ্রবা চহী য়াম্লবা মীওই অনীগী অশিবা হকচাংশিং ঙসি অয়ূক ফংবা ঙমখিবনি। অদুগা মখোয়না ফারগা পুখিবা মীওইশিংগী মরক্তগী অমনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্লবসু বোরোবেক্রা পি এসকী কেম্পসতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা য়ৌরকখ্রবনি। অদুম ওইনমক পীক্লিবা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক অসিগী লাইবক করি ওইগদগে হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি।

## মীতৈবু বলিগী হামেংলা : ইমাগী মৈরা



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** পাল্লিবা লৈঙাক অসি ইম্ফাল খক্তগীরা হংলদুনা মীতৈবু বলিগী হামেংলা অমসুং ঐখোয় শিগদ্রা হিংগদ্রা হায়বসি চয়োল অমগী মনুংদা লৈঙাক্লা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না ইমাগী মৈরানা তকশিনখ্রে।

প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লূপ অসিগী কনভিনর টি ঐচ সুজেতানা হায়, খুল ঙাক্লিবশিংনা মফমশিং অদু থাদোরকপা মতমদা ইম্ফাল য়ৌশিল্লক্কনি। চীফ মিনিষ্টরনা ৱা চাউনা-চাউনা ঙাঙলিবা অদুগুম্না থবকসু তৌবীয়ু। চীফ মিনিষ্টর ওইরবদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবীয়ু, ঙমদ্রগনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪



কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ চিন্দোলদা ফাদুনা পুখিবদগী মফম খঙদ্রিবা পীক্লিবা অঙাং অহুমগা কোন্ননা নুপী অহুমগী শক্তমনি হায়না সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবা ফোটো

ঙসি নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপদা জিরিবামদা লৈবা মীওই অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা মফম খঙদ্রিবা মখোয় তরুক্কী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা ফোঙদোক্লরকপা হৌরক্লে। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী ইম্ফাল লোমদা কিলোমিটর ২৬ লোম লাপ্পা লৈরিবা গ্বাখালদা লৈবা এ আরগী পোষ্ট অমদা মখোয় তরুকমক তেক্তা কায়দনা লৈরে হায়বগী তোকঙা অমসু শন্দোরকখি। অদুগা জিরিবামগী মফম অমদনা অশিবা মীওই অহুমগী হকচাং তাদুনা লৈরে হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোক্লরক্লে হায়রি। অদুম ওইনমক হায়রিবা ৱাফম অনীসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদগী চপ চাবা পাউ খঙবা ঙমখিদ্রি।

অমরোমদা, মখোয় তরুক্কী মতাংদা জিরিবামদা বেজ তৌবা তোঙান তোঙানবা লূপশিং ওইরিবা জিরি অপূনবা লূপ অমসুং জিরি য়ুনাইটেদ কম্মিটিগী মায়কৈদগীদি মখোয় তরুকপু তেক্তা কায়দনা পুং ২৪গী মনুংদা মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্ননবা দিমান্দ তৌনরকখ্রে।

পনবা য়াবদি, ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## জিরিবামগী মোংবুং অমসুং থম্নাপোকপীগী লান লেপত্রি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**
নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী জিরিবামগী মোংবুং অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী থম্নাপোকপীদা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকনবা লান চথুরকখ্রবা মতুং ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদসু থম্নাপোকপী মনিংগী উয়োক চীংদগী খুল অসি তম্না বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে। শান্তি খোংবালদনা উয়োক চীংজিনগী মখা থংবা শরুক্তগী এটেক তৌরকখি । অদুগা সনাশাবী খুলদসু নাতুম চীংজিন্দগী বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা অয়ূক্কী পুং ১০ রোম তারকপা ফাওবদা লেপ্তুনা এটেক তৌরকখি হায়রি। অমরোমদা ঙসি নুংথিল পুং ৩.১০ রোম তারকপদনা জিরিবামগী মোংবুং মীতৈ খুলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা অমুক হন্না লান্দারকখ্রে হায়রি। মখোয়না জাইরোনপোকপী রোমদগী চঙশিল্লক্লগা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। অদুবু থৌদোক অসিদা অশোক অপন য়াওবগী পাউদি লৈখিদে।

## জিরিবামগী লানফম

### জকুরাধোর কারোং অমসুং হরিনগরদা য়ুম মৈ থারম্বদা য়াওদুনা লৈখিদ্রবশিং

(১) লাইশ্রম বারেল (৬৩), মোধুপুর
(২) মাইবম কেশো (৭১), মোধুপুর

### নোংমৈনা পানবদগী ফীভম লূনা শোক্লবা

(১) পেবম রাজকুমার (৬৪)

### ফাদুনা পুখিবদগী মফম খঙদ্রিবশিং

মোধুপুরদগী (১) য়ুরেম্বম রানি (৬৬), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ৱাই নবকিশোর, (২) তেলেম থোইবী (৩১), মপুরোইবা টি উত্তম, মহাক্কী মচানুপী, (৩) তেলেম থাজমানবী (৮), (৪) লাইশ্রম হৈতোনবী (২৫) মপুরোইবা এল হেরোজিৎ অমসুং মহাক্কী মচানুপা, (৫) চীঙ্খোঙানবা (চহী ২ মখায়) অমসুং (৬) লাইশ্রম লানঙম্বা (থা ৮)

### বোরোবেক্রা পুলিসনা রেস্ক্যু তৌরবশিং

(১) জকুরাধোর পার্টটুদগী ওইনাম থোংলেন (৪৫) অপোকপা ও বাবু, (২) বোরোবেক্রাদগী পেবম রাজকুমার (৬৫), (৩) লমতাই খুনৌদগী ঐচ কুঞ্জো (৬৫) অপোকপা ঐচ বাসুদেব, (৪) লোংজম মনিবাবু (৫৮) অপোকপা এল রামেশ্বর, (৫) মোধুপুরদগী এল মোহিনি (৫৬)

## ফাদুনা পুখিবা অঙাং ৩, নুপী ৩ পুং ২৪গী মনুংদা হিংনা শিন্নবীয়ু : জিরি অপূনবা লূপ

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** ঙরাং খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা পায়বা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোরোবেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং চনবা জকুরাধোর কারোং অমসুং হরিনগরদা লৈবা মীতৈগী খুলশিংদা অকনবা লান চথুরক্তুনা য়ুম ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখিবা অঙাং ৩ য়াওনা মীওই ৬ পুং ২৪গী মনুংদা পুথোক্কদবনি : জিরি য়ুনাইটেদ কম্মিটি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** ঙরাং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী মখা রোমদা কিলোমিটর ২৬ লোম লাপ্পনা লৈরিবা বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চনবা মীতৈ খুল খরদা কুকি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সেন্ত্রেল ফোর্সকা মূক্লখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**
সাপম ওংবী সোফিয়া লৈখিদবা থৌদোক্তগী কুকি টেররিষ্টশিংনা নুমিৎ হুম্নি লেপ্তুনা নোংমৈ অমদি বোমনচিংবা কাপশিল্লকপবু পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা সাইতোন হৈয়াইকোনগী নুপীশিংনা সী আর পি এফকী বঙ্কর মনাক্তা লম্বী থৎতুনা অচৎ-অওকশিং য়েংশিল্লিঙৈদা আর্মি পর্সনেল অনী সী আর পি এফনা লৈনরিবা য়ুমদা লোৎলল্লে অমদি ...মখা লমায় ৩ কলম ১



## কুকি টেররিষ্টশিংনা কাংচুপ খরাংগী মীতৈগী য়ূমশিংগী ফক্লাংদা 'কুকিলেন্দ' হায়না থারল্লে

### কুকি টেররিষ্টশিংনা কাংচুপ খরাংগী মীতৈগী য়ূম ১২, গাড়ী অচৌবা মরি মৈ থাদোক্লল্লে




**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস):**
ঙরাং নুমিদাংৱাইরম য়াচংলকপদগী হৌরদুনা অফবা মখলগী নোংমৈ অমসুং বোম শীজিন্নবা কুকি টেররিষ্টশিংনা কাংচুপ, কদাংবন্দ পার্ট-ৱান অমসুং টুয়াওনা ফয়েং ফাওবা য়ৌশিল্লক্তুনা অকনবা লান চথুরম্বদা কাংচুপ খরাংদা লৈবা মীতৈগী য়ূম ১২ অমসুং গাড়ী ৪ মৈ থাদোক্লম্বগা লোয়ননা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী ইকনমিক ব্লোকেদনা ত্রক ৩৫০ রোম পন্দুনা লৈরি, তিল্লৌ, আলু অমদি ঙাশিং পৎ-পুম্বা হৌরে : অনিল

লাইবি খুমন



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**
সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী পাওমাই মচা অনী লমশাং এরিয়াদা ফূ-চৈবা তৌখি অমসুং শেল লুট তৌখি হায়বগী মায়োক্তা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেশন (এন পি ও), সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএশন (এস দি এস এ) অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন্স এসোসিএশন (এস দি দব্লিয়ু এ) না থা অসিগী ২দগী এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম কাপশিল্লকখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**
থা অসিগী ৯দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা লেপ্তুনা নোংমৈ অমসুং বোম কাপশিল্লক্লবা মতুং ঙসি অয়ূক পুং ৫ রোম তারকপদগী হৌরক্তুনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সাইতোন ৱাথলম্বেলগী মেন রোদকা তাইনবা য়ূম অমদা বোম অমা তাশিল্লকখ্রে। বোম অমনা কাপশিল্লক্লে খঙলবসু কদাইৱাইদা তাখিবনো হায়বা খঙহৌদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা সাইতোন জি পিগী চেয়রপর্সন এম ইবোমচানা ফোঙদোরকখিবদা থা অসিগী ৯দা মৌনহা অমা হাৎখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবদা বোম অমসুং নোংমৈ কাপ্লকপা লেপত্রি। এটেক অসিনা খুঞ্জাশিং লাঞ্জেন্নরে। মফমসিদা লৈরিবা মহার রেজিমেন্ট অমদি বি এস এফনা কুকি টেররিষ্টশিংগী থৌওং থিংদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অঙাং ৩ য়াওনা মীওই ৬ ফংননবা ওপরেশনশিং চথরি : পুলিস




**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** ঙরাং জিরিবামগী বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চনবা মফম খরদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা ঙসি নুংথিল মণিপুর পুলিস হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা আই জি পি (ওপস) কে মুইভা, আই জি পি (এ দি এম) কে জয়েন্ত অমসুং আই জি পি কবিব কে (এল ও অমসুং ইন্টলিজেন্স) না শরুক য়ারদুনা মফম খঙদ্রিবা অঙাং ৩ য়াওনা মীওই ৬ ফংবা ঙম্নবা থি-হুম্বগী থবকশিং চথরি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাংগী থৌদোক অদুগী পাউদম্লদুনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ঐখোয়না য়ূম থাদোক্তুনা লাঞ্জেল্লকপদা লৈমিন্নরকখিবা কুকিশিংনা 'ফজনা চৎলো ঐখোয় করিসু তৌবা ঙমদ্রে' হায়রকখিবদু নীংশিংলুবদা পূক্নিং নুংশি : অবে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**থিঙ্কাংফাই য়াইফকোল লৈকায়দগী খুঞ্জা**

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**
মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খামদবদগী লোইশিন্দ্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা থোকপা থৌদোক কয়ানা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী চূড়াচান্দপুরগী থিঙ্কাংফাই য়াইফকোল লৈকায়দগী মশাগী চহী ৩৩ রোম শুরবী ৱাহেংবম ওংবী অবেনা পাউচে অসিদা হায়, মে ৩দগী কুকি লমহেন তুহেনবশিংনা হৌরকখিবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা ইয়ূম-ইকৈ মৈ থাদোকপীবদা নত্তনা



মীতৈশিংবু নোংমৈ, থাঙ, নাওরিনচিংবা কাপ্পুনা তাল্লকখিবনি।

লান হৌরকপা মতমদুদা ঐদি য়ূমদা চাক থোংদুনা লৈজরম্বনি অদুবু লান খংকন কনশিল্লকপদগী চাক থোংলিবা গ্যাস ষ্টোভ ফাওবা মূখুৎপা নংদনা চেল্লকখিবনি। অদুবু ঙসি থা ১৯ চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমদবদগী হিয়াংথাংদা লৈবা কামখ্য পেমতোন কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লি।

মহাক্না হায়, ঐহাক চূড়াচান্দপুরদা পোকপনি অমসুং মফম অদুদা চহী ৩০ হেন্না লৈরকখিবা মীওইনি। হান্নদি মীতৈশিংগা চীংমীশিংগা মশীং মান্ননা লৈরকপনা মীতৈশিংসু অদুমক নুংঙাইনা ইশাগী ইরমদমনি খন্না লৈরকখিবনি অদুবু হৌখিবা চহী খরদগী খঙহৌদনা কুকিশিংগী মশীং হেনগৎলকপা অমদি ম্যান্মার মচা কয়া তোয়না চূড়াচান্দপুরদা উরকপদগী কুকিশিংনা মঙক য়াম্না হাইগৎলকখিবনি।

ঐখোয়না লৈরিবা মফম অদু কুকিশিংনা কোয়না খুন্দারগা ঐখোয়গা পূন্না লৈমিন্নরকখিবনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদদি কুকিশিংগা য়াম্না নুংশিননা খৎন-চৈনবা অমত্তা য়াওদনা লোয়নরকখি অদুবু হৌজিক্কী হৌগৎলক্লিবা নহাশিং অসিগদি কুকি নহাশিংগা তোয়না খৎন-চৈনবা অদুমক য়াওই। কুকিশিংদা ৱা অমত্তা কন্না ঙাঙবা-শকপা য়াদে। মখোয় ময়াম হৌরক্তুনা খৎনবা হেক্তা হৌরকপগী পাউ তাই অদুবু অহল-লমনশিংনা নুংশি চান্নরা হৌমিন কামিন্নরকপনা নাকল অনীমকপু ফাথবীবা অমদি খামজিনদুনা অরৈ-লৈতা তাথোক-তাশিন তৌদুনা লৈমিন্নরকখিবনি।

(মথং-মথং)

## প্রিপাকনা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ পাঙথোক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ :** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মি (আর এ) না কুমজা ১৯৭৯দগী চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা 'অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ ২০২৪' লমদমসিদা খুন্দারিবা



তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিং অমদি চীংমী-তম্মী মীয়াম হুপ্না খূৎশম্নদুনা মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে হায়না পার্টি অসিগী পব্লিসিটি ওফিসর, দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা মঙাল খুমনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নীংতম্বা চাওখৎপা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্তুনা লমদমসিদা ঈং-তপ্পা, নুংঙাই-য়াইফবা খুন্নাই অমা লিংনবা লিশাং-শিংনা চথুরল্লিবা নীংতম য়াওল লাম্হেং অসিগীদমক থৱায়না পোম্থা পীখ্রবা লৈখিদ্রবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫